# ভোট কাহন্নীংবা পার্টি অমদি মীশক্তু করম্বনো? -২

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লূৱাং**

*ইন্দিয়া* পূম্বগী ওইনা পাঙথোক্কদবা ১৭লকশুবা লোক সভাগী মীখলদা মণিপুরগী ওইনা অহানবা তাঙ্কক হায়বদি আউটর মণিপুর (এস টি) পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী এপ্রিল ১১দা ভোট থাদনগদবা অসিগীদমক মীরেপ ৮না মীরেপ চে পীশিন্নখিবদু মার্চ ২৬, ২০১৯গী স্ক্রুটিনিদা লোইনমক য়াখিবগা লোয়ননা মীরেপ চে লৌথোক্কদবা নুমিৎ মার্চ ২৮, ২০১৯ ফাওবদা মীরেপ অমত্তনা মীরেপ চে লৌথোকখিদবনা হন্দক্কী ১৭শুবা লোক সভাগী মীখলসিদা মীরেপ ৮ মক্না আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা অকনবা লম্বা তৌনরগরি হায়না লৌবা য়ারে। নেসনল পার্টিশিংগী মরক্তা আই এন সীগী ওইনা কে জেমস (মণিপুর কোলেজতগী বি এ পাস তৌবগা লোয়ননা এম এফ এস ওফিসর ওইরম্লগা রিটয়ার্দ তৌখি); বি জে পিগী ওইনা হৌলিম সোখোপাও মাতে (বেঞ্জামিন) (খা মণিপুর কোলেজ ককচীংদগী কুমজা ২০০১দা ক্লাস টুয়েল্ব পাস তৌখি হায়বা); এন সী পিগী ওইনা অঙম করুং কোম (বি এ); জে দি (য়ু) গী ওইনা হঙ্খোনপাও তাইথুল (কোটা ওপন য়ুনিভর্সিটি, রাজস্থান্দগী মাষ্টর ওফ কম্মর্স); রিজনেল পার্টিশিংদা- এন পি এফকী ওইনা লোরহো এস ফোজে (রিমসতগী কুমজা ১৯৮৩দা এম বি বি এস লোইশিনখি); এন পি পিগী ওইনা থাংমিনলিয়ান কিপগেন (দি এম কোলেজদগী পি য়ু সাইন্স পাস তৌখিবা); নোর্থইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (নৈদিপ) কী ওইনা অশাং কাশার (এম এ) অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা লৈখান কাইপু (লিৱাচনিং গভর্ণমেন্ট হায় স্কুল, কোমলাথাবীদগী ক্লাস আইট পাস তৌখি হায়রি।

অদুগা ১৭শুবা লোক সভা মীখলসিগী ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী এপ্রিল ১৮, ২০১৯দা ভোট থাদনগদবা ২শুবা তাঙ্ককীদনা মার্চ২৯, ২০১৯দা মীরেপ চে লৌথোক্কদবা নুমিৎ ফাওবদা মীরেপ চেশিং পীশিন্নখিবা মীরেপ ১১ মক্না হান্না স্ক্রুটিনিদা মীরেপ ওইবা য়াখিবদু কনামত্তনা লৌথোক্তবনা ইন্নরদসু মখোয় লোইনমক অকনবা মওংদা লম্বা তৌনরগনি হায়বা য়ারে। মসিদনা আই এন সীগী ওইনা ওইনাম নবকিশ্বর (দিল্লি য়ুনিভর্সিটিদগী ফিজিক্সতা এম এ সী লোইশিনখিবা); বি জে পিগী ওইনা ডা. আর কে রঞ্জন (পি ঐচ দি); সী পি আইগী ডা. এম নর (কোলকটা হোমিওপেথি মেদিকেল কোলেজগী মেদিকেল গ্রেজুয়েট); এম দি পি এফকী ডা. জি তোনস্না শর্ম্ম (পি জি হায়দ্রোলোজি); এন ঈ আই দি পিগী আর কে আনন্দ (এল এল বি); এম পি পিগী ওইনাম জুগিন্দ্রো (বি এস সী); আর জে এস পিগী সেঞ্জম নন্দেশ্বর (বি এস সী এগ্রি)নি। অদুগা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিং ওইনা- ৱাহেংবম পোবিত্রো; এম তোমতোমস্না; এম দি ইলিয়াস খান - মখোয়গী মহৈগী থাক্না ক্লাস টুয়েল্ব পাসনি অদুগা রাজ কুমার সোমোরেন্দ্রা (কাইকু) গী মহৈগী থাক ক্লাস টেন পাসনি।

মথক্কী আউটরগী অমদি ইন্নরগী মীরেপশিংগী মরমদা পীজখিবসি পাউচেশিংদা ফোঙনখিবদগীনি। অতৈ অকূপ্পদি পনবগী থোইনা মথৌ তাদবদগী পঞ্জদ্রে।

মতাংসিদা থমজনীংবা/পঞ্জনীংবা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অমদি পোলিটিসিয়ন অমা ওইবদা মথৌ তাবা মহৈগী থাক অসুক্তগী তাদবা হায়বা অমা লৈতবসিনি। মসিগী মথক্তা ভোট মখল অমগী ময়া হায়বদি মীখল মতম হেক ওইশিল্লকপদা/য়ৌশিল্লকপদা - নেসনল পার্টিশিংবু ওইগেরা-করিবু ওইগেরা-মীখল থেংননীংবা মীওইশিংদগী ফোঙনা অইবা চেরোল পীশিল্লক্লবা অমা হেক হেক তৌনবসিনা হান্না পার্টি অমদা মতম শাংনদগী লাকচরবা মীওই অমনা মীরেপ ওইবা য়ানবগী (ইন্দিপেন্দেন্ট নত্তনা) লম্বেল ফজনা ফাৎপিগদবদু মাঙহনবগুম তৌনবদগী পার্টি মনুংদা মীরেপ ওইনীংবশিংগী মনুংদগী নুংঙাইনদবা ফীভম/ৱাথোক হেক হেক থোকপগুম ওইবসি/উবসি মীচম ঐখোয়দদি করিসু অকায়বা লৈতে, মরী লৈনরুদবনা। অদুবু মীখল ময়া য়ৌশিল্লক্লবদি ফাগি ওইনা হায়নবা হঙোইশিং অমদগী অমদা ফন-ফন চোঙবা হৌরক্লগনি হায়বসি অচুম্বা ফাগিনি। অশেঙবা তৌনরিবা মক্তনি। চহী খরদগী পার্টিদুগী চৎন-কাঙলোন খঙলে হায়না লৌদুনা লাকপা অমগা নৌনা চাউবোক ওইনা চঙলকপা অমগা খেন্নবা খরদি শোয়দনা লৈগনি। মীখল ময়াদদি পার্টিগী মীরেপ ওইনা পুথোকপদা মায় পাকহন্নীংবদগী হান্না লৈজরম্বা চৎন-কাঙলোন থুগাইবা হায়বসি অচুম্বা থৌওং ওইরমগদবা মান্দে। ইথৌবুদি লৈজদে। হান্নদগী পার্টিগী থৌমীশিংনি হায়দুনা লৈরম্লিবশিংদি উ লৈতবা মফমদা কেগেনা য়ূম্বী ওইবা হায়বা থৌদৌদুনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

অমুকসু মখা তানা হংনীংবা/খঙনীংবা ৱাফম অমদি - হান্না লৈঙাক্কী ওইগেরা/লন্নাইগী ওইগেরা/লৈঙাক্কা মরী লৈনবা লন্নাইগী শেঞ্জাও তানবা য়াবা থবক অমবু ওইগেরা তৌরম্লবা মতুংদা/শিনফম অমদগী পোত্থারগে নৎত্রগা পোত্থারবা মতুংদা ভোট লেপ্তবদি য়াদবগুম্না মীখল হেক্তা থেংননবগী পোলিটিসিয়ন ওইনরকপসি পাঙ্গল হেন্না কনবা (পৱার) পাম্বদগী, লেম্না/লোন্না শেঞ্জাও খোমজিল্লুবদু, হান্না লোন্না পৈশিল্লম্বা শেঞ্জাওশিংদু অফোংবা ওইনা উহন্নৱা- ভোট কারগা মিনিষ্টরগা ওইরবদি শেলগী কোমদা পুথরগা মীয়ামদা পাঙ্গল কনবা (পৱার লৈরে) উৎনৱা- করিনোমদি তৌরে। লুচিংবা খরনদি চিনফা ওইনা হায়নবা অমদি - মীয়ামগী থৌগল তৌগে হায়রবদি ভোট কারগা মিনিষ্টর অচৌবা ওইনবা হোৎনৌ হায়বসি য়াম্না ফজৈ-করপসন মুখৎপগী মিংদা নাকোয়নবশিংনা লুপা লাক্ষ-লাক্ষ খোমজিনবা নুংঙাইনবনি হায়বনা হেন্না চুনগদবা মাল্লি। মণিপুর ওইগেরা - কনা করি লম ওইগেরা - করপসন মুখৎসি হেক হায়রুবদা রেট ৱাংখৎহন্নবগী পাউজেল পীবগা চপ মান্নে হৌজিক্কী খুন্নাইসিদা। হীরম খুদিংমক্তা - রেট লুপা অসুক্তগী তাদনা অহেনবগীদি হেন্না ফবগী মওংদা তৌনরিবা ময়ামসে লৌদে-পীদে হায়বমক্তনি। মসিদনি করপসন থিংই হায়রিবসি। শেল লৌদনা থবক খল্লে হায়বসিদি 'যণনা উরোক থোং তশেংনা লানবা উরবসু উদে হায়যু' হায়বগুম্বনি। হায়বদি, ওইথোক্তবা থৌওংনি হায়বনি।

হৌজিক লৈরিবা পোলিটিকেল অমদি ইলেক্সন সিষ্টেম/প্রোসেস মকোক্তগী শেমদোকপগী মথৌ তারকপা মরম খরদি - ইলেক্সন অমদা মীরেপ ওইগে হায়রবদি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না মশক খঙলবা পোলিটিকেল পার্টি অমদা য়ামদ্রবদা চহী ৫ (খুদম ওইনা) দগী তাদনা পার্টিগীদা মিং চন্দুনা মেম্বর ওইরবা, মহৈগী থাক্না য়ামদ্রবদা গ্রেজুয়েট ওইরবা অসিনচিংবা অকক্লবা চৎন-কাঙলোন খরা ঈ সী আইনা মতুং তারকপদা অকনবা ইন্সত্রক্সন- পার্টি অমা ওইবগী শকখঙচে পীরমদাইদা থম্বীরবদি মতিক ময়াই চেনবা মীরেপ পুথোকপদা অহানবা থিংনবা ফীভম (কন্দিসন) অমা ওইদুনা হেন্না মতিক চাবা মীরেপ পুথোকপা ঙমগনি। ক্রিমিনেল রেকোর্দ লৈতবা, শেঞ্জা থুমজা অমত্তদা চেন্নদবা, য়াম্না মরীল চুম্না লাকপা/চৎপা মীওইশিংনা মীরেপ ওইবা য়াহনবগী তঙাইফদবা চৎনবী লৈহল্লবদি মালেমগী লৈপাকশিংগী মমাঙদসু মতৌ তম্নিংঙাই ওইবা লৈপাক অমা হায়বদু ওইহঞ্জনীংই। নৎত্রবদি, হুরান লোন্নাদগী শেল পায়রগা নৎত্রগা শিনফম অমা হান্না পায়রম্লগা মুক্লবগুম্বা য়াওরকপদগী পাঙ্গল কন্নবা (পৱার পায়নবা), মদু শীজিন্নরগা লমন শিংবদা শীজিন্নগে হায়না খল্লগা ভোট লেপ্লবা ময়াম অমসু য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা মীশকশিংদুনা ভোট কাখ্রবা মতুংদা খুন্নাইদা অমগা অমগা লমন খুন্নবগী থৌওং চত্থরক্লিবসিনি। মীয়াম্না হেন্না খঙনরবমক্তনিনা তোঙান্না অমুক খুদম পীদুনা হায়জররোই। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মীখল অমদা মীরেপ ওইবদা য়ামদ্রবদা মহৈগী থাক অসুক অমসুং পার্টি অমগী টিকেটতা লেপ্পা তারবদি চহী অহুম পার্টিদুদা মিং চন্দুনা য়াওরবা মীশক অমা ওইগদবনি হায়বা লৈতবনা হীরমসিদা ঈ সী আইনা অথিংবা থমদে। অদুনা স্ক্রুটিনিদা য়েৎনবা য়াওদনা য়াখ্রবদি মদুনা কেনিদদেচর অমা ওইবগী মতিক চাবা ফীভম হায়বদু ওইরে।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ১৭লকশুবা লোক সভাগী মীখলসিদা নত্তনা তুংগীদসু মীরেপ ওইনীংবা/ওইরিবশিংগী মতাংদা ৱাফম (পোইন্ট) অনীখক য়ামদ্রবদা থমজনীংই। অহানবদা, য়ামদ্রবদা য়ুনিভর্সিটিনা শকখঙলবা দিগ্রী অমদি ওইবা - করিগীনো হায়বদা ইন্দিয়াগী ওইরবসু পার্লিয়ামেন্ট হায়বা শেংলবা লাইশঙসিদা লম-লমশিংদগী মীহুৎ ওইনা লাক্লিবা এম পিশিংনা ৱাখল তানা খন্ন-নৈনরগা অফবা অচুম্বা ৱারেপ লৈপাক্তুগী চাওখৎনবগীদমক লৌগদৌরিবনি। লাইহিরিক লাইশু খঙ হৈরবা এম পি মশীংনা য়াম্লবদি হেন্না ফবা ওইগদৌরিবনি। মফমদুদা ঙাঙনগদবা লোনদি ইংলিস অমদি হিন্দি ওইগদবনা ঙম্লবদি লোন অনীসি চৎনবা য়ানা খঙ হৈবা মথৌ তাই। য়ামদ্রবদা অমদনা খরা হেন্না খঙবসু য়াম্না ফৈ। ঙাঙবদি হৈবা অদুগা ইবা-পাবদি কয়া হৈতবা মীসু লৈতবা নত্তে। অদুবু য়ামদ্রবদা মখল অমদা দিগ্রী অমা পায়রবদি খরা হোৎনরগা হৈবা য়াগনি।

অনীশুবনা, মশাসু লাইরিক অদুম হৈবগা লোয়ননা থিবা হুম্বা কন্দুনা হৌজিক্কি খুন্নাইদা হোংলক্লিবা চাওখৎ লমজেলদা লৌশিং শরুক য়াবা ঙম্লবদি মতাং মতম চানা পার্লিয়ামেন্ট মীফম ফম্লিঙৈদা মখোয় মশানা মীহুৎ শিল্লিবা লমদমশিংদুগী/কন্সটিট্যুএন্সিদুগী অৱাৎ-অপা মেনশিন্নবা, মেনশিনবা লোইশিল্লক্লগনা লমদমদুদা ময়োল লৈঙাক্কী ওইবা করম্বা লোইশঙশিং লীংখৎপা য়াগনি হায়বসি ফজনা খঙদোক্লবা মতুংদা মতাং মতম চানা পার্লিয়ামেন্ট মীফম ফম্লিঙৈদা পুথোক্লগা পাল্লিবা/ওইহন্নীংলিবদু ফংনবা হোৎনবা ঙম্বা/তকশিনবা ঙম্বা মীশক্তুনা এম পি ওইগদবনি। অসিগুম্বা মীশকসি ঐখোয় ভোটর ওইরিবা ঐখোয়গী মীহুৎ ওইনা পার্লিয়ামেন্টতা থাগদবনি।

ইন্দিয়া পাক চাউবা লৈপাক (কন্ত্রি) অমনি। লাইনীং-লাইশোন য়াম্বগা লোয়ননা মীওই কাঙলূপ কয়ানা খুন্দাবা লৈপাকনি। হিন্দুনা মীশিং য়াম্না তাবা লৈপাক অমসু ওইবনা ময়োল লমগী লৈঙাকপগী খুর্জি পায়বসিনা হিন্দুদা থৱায় লুপ্পা ওইরবদি তপ্না-তপ্না হিন্দুগী লৈপাক অমা ওন্থোক্লবা হোৎনবসি মশানা তারবনি। ঐখোয়গী ইরমদম হান্না কংলৈপাক (খাঙুথক্তা মণিপুর ওনখিবসি) ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মপুং ওইবা লোল হিন্দি অমদি মরম অতৈ অতৈদগী য়াম্না তোঙাল্লি। মসিগী মথক্তা অমুক নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী লোল, নাট, ফিজেৎ চাকচা মণিপুরগা য়েংনবদা য়াম্না তোঙাল্লি। অদুনা অপাম-পামদা য়াম্বনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মরক্তসু মান্নদবা ইস্যু কয়াগী ৱাথোক লৈতবা নত্তে হায়বসিসু অদুম ইখঙ খঙনৈ। অদুবু চেকশিল্লবা মতাংদদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মীচম মীয়াম অমদি লৈঙাকশিং পূন্না অমত্তা ওইনা লেপ্লগা মত মান্নবা মতাংদা ময়োল লৈঙাক্কী মায়োক্তা লৈরগা থেংনবা ঙম্বা রিজনেল পার্টি মপাঙ্গল কনবা অমা মথৌ য়াম্না তাই। মীরেপ ওইরিবশিংসু মতিক চারবদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা মরু ওইনা ইরমদম ষ্টেটসিগী ওইনসু মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংনবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা 'কেব' চৎনহনবা পাম্বা নেসনল পার্টিদি নেগেটিভ ভোট পীবগী মথৌ তারকপ্রা হায়বসিনি। ইরমদম ষ্টেটকী ঈংনা চিক্না লৈজবগী ফীভমদা কায়হল্লোইদবা নেসনল পার্টি ওইবা নৎত্রগা নোর্থ ইষ্টকী ওইনা য়াইফনবা খনবগা লোয়ননা থেংনবা ঙমগদবা রিজনেল পার্টি অমগী মথৌ তাই। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু ইন্দিয়া চাওখৎপদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংসু চাওখৎহনবা হায়বসিদি ময়োল লৈঙাক পায়রিবশিংসিগী তৌফম থোকপা মথৌনি। ঈরাং থোকহল্লগা নুংশিবা শাবা পার্টি খুদিংমকপুদি কন্দেম তৌফম থোকাই। মীগী মরল অমদি লম শোক্লুবদগী শাওরক্লবা কাঙবুদু হিংচা য়াইতম্বগী লোনি হায়নরিবা অফস্পা, ১৯৫৮ 'থমজিল্লগা নমথনবা হোৎনবা নেসনল অমদি মসিগী খোঙলোয় ওইবা পার্টিশিং নেগেটিভ ভোট পীফম থোকই। মণিপুরগী অপূনবগী ঙমখৈদা মমল তিক্লরগা 'য়োংনা তল য়েনবগী' থৌওং চত্থরগা মীচম মীয়ামদা চহী মতম শাংনা মীনম্বগা লোয়ননা ৱাখল লৈতাহন্দনা ময়োল লৈঙাকপা ওইনীংবা পার্টিদগী লাপ্না লৈরসি।

---

# কোটা মুনখিনি ধব তৌরগা মৈতৈ/মীতৈ হাৎকে হায়বদি চুম্ব্রদো?

**থাংজমচা দামু খাবা**

*কুমজা ১৮১৪* দগী ঙসি ফাওবদা লেপ্পা লৈতনা লমগী অহোংবা কয়া-কয়া লাক্তুনা ঙসিদি য়াম্না শাথিবা ফীভম অমদা লৈরে মণিপুর। মাগী-মাগী লমগী ঙমখৈ য়েক্নদুনা খুদুম চেৎনা পায়, মৈতৈ অমত্তনা লৈরুবা য়াদ্রি, অদুগা তম্পাক লমদনা মনীং তম্না থোমজিল্লক্তুনা খাবৈ খারা শা, খুনু মখোঙদা শম্না লৌবগুম মৈতৈগী খোঙথাং খুদিং লৌশিন্দুনা মৈতৈ মুৎনবা কন্না থৌরাংলক্লিবা অসিমক খ্বাইদগী লাইবক থীবা অমনি। চীংগী লমনা ৯২% ওইবদা তম্পাক্কীনা শুপ্লগী ৮% খক ওইবা পীকখ্রবা মফমসিদা অমুকসু তোঙান-তোঙানবা কম্যুনিতি কয়াগী মীওইশিংনা খুন্দারিবশিং অমদি লম্বী-সরক, চাউখ্র-চাউখ্রবা পাৎ-তুরেল কয়াগী মফম খাইদোকখ্রগা হৌজিক ৩.৮% খক্তমক ঙাইরবা মফম অসিদা লৈরিবা মৈতৈশিংনা, মশাগী নাট-শক্তম কঞ্জনবগী অরোইবা খোঙথাং ওইনা এস টিদা হঞ্জিনজনবা হোৎনবদা অমুকসু অথিংবা পীদুনা ঈ-নাই তাননবা হোৎনরক্লিবসি য়াম্না চুমদবা অমনি, মসি তশেংনা মৈতৈ মুত্থৎনবা হোৎনবা য়াম্না ফত্তবা লাল্লোং অমনি হায়দবা য়ারোই।

মশক ফজবা নুপী মানবা মীওই অমনা জিক-জাক ওইবা ৱাফম ঙাঙলিবসি চেকশিনবা চুমগনি। লমদমসিদা লৈরিবা ত্রাইবেল ইচিন ইনাওশিংনা মখোয়গী কোটা মুনখ্রগনি খল্লিবা ৱাখল্লোন অসিদি খলহন্নীংদে। মৈতৈনা মুৎখিবা তারবদি লৈহৌগদৌরিবশিংসু তুম্না মাঙখিগনি, ৱাফমসি ফক্লাংদা লৈতুম্না থাবগুম্বনি। চীংনা কোয়না পনশাবা লমদম অসিগীদমক ইপা-ইপুশিংনা থৱায় কৎতুনা শিন্নবীরমখিবা লমদমসিদা শিংনবদি ঙসিসু লেপ্পা লৈতনা অসুম চত্থদুনা লাক্লি। হৌজিকসু মাঙদা তাদুনা লৈরিবা বোর্দর পিল্লরগী, মোলচাং অমদি জুকো ভেল্লি, মথংশিৎনা জিরিবাম্নচিংবগী ইস্যুশিং মপূং ওইনা মৈতৈনা থেংনরিবসিনি। ৱাখলনা শারগা হেক্তা হায়জিনগুমসি করিগী কোটা মুনদোইনো? অসাম অমসুং নাগালেন্দ ষ্টেটশিংদা তৌবগুম কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল নম্বর ১৬ (৪) গী মখাদা হিল ত্রাইব, প্লেন ত্রাইব, বেকৱার্দ অমসুং এদভান্স ত্রাইব হায়না মথংশিৎনা খায়দোক্তুনা হৌজিক হৌজিক ফংলিবা কোটাগী চাং অদু অদুম ফংজগদবনি, মসিদা করিসু য়েৎননীংঙাই লৈতে। কোটাসু সেকেন্দরিনি, হৌরক্লিবা ঈহৌ অসিদি মৈতৈ ফুরুপকী শক্তম কন্ননবখক্কী ৱাফমনি।

লমদমসিগী মেজর কম্যুনিতিনি হায়রিবা মৈতৈ লাক্ষ ১০/১১ মুকসিনা ফুরুপসিবু কঞ্জনবা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা রাইটপু, মৈতৈনা তানবা অমদি লৌবা য়ারোই হায়না ওর্গনাইজেসন অমনা অকনবা রিয়েক্ট তৌদুনা এস টি ওইবা য়ারোই হায়না কৃটিক তৌরকপা অসি অঙকপা পোকই। লাক্লিবা ৱাফমদি কম্যুনিতি নৎত্রগা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা ইন্টরফিয়ার তৌফম থোক্তে, মসি মৈতৈগী শিবা চংবগী ৱাফমনি। মৈতৈনা সেদ্যুল ত্রাইব ওইবগী কেটেগোরিদা চনদে, মৈতৈশিং হিংবগী ষ্টেন্দর্দ প্রিমিটিভ ষ্টেজদগী য়াম্না হেন্না ৱাংবনা মৈতৈশিং অসি এস টি ওন্নবগী ক্বালিফাই ওইদে হায়বগা লোয়ননা ৱাফম কয়া থল্লক্লিবসি মৈতৈ মুৎখিনবা লাল্লোং অমগী মনুংদা কল্লক কঞ্জাওনা হায়বা ৱাফম অমা শোয়দনা ওইগনি। এস টি চিংবা-চিংদবা হায়বসি মরী লৈনবা বিভাক্কী এক্সপার্টশিংনা লেপকদবনি।

হীরম খুদিংমক্তা মৈতৈদগী য়াম্না হেন্না শাফখ্রবা অসামগী কম্যুনিতি খরা, এস টিগী লিষ্টতা চন্দুনা লাউথোক্কদবদা ঙায়রবা লিষ্টতুগী মনুংদা য়াওরি। অসামগী এস টি ওইগদৌরবা কম্যুনিতি ৬না এস টি ওইনবগী দিমান্দ তৌবদা বোড়ো কাঙবুনা য়ারোই হায়না কন্না য়েৎলম্বদু ৱাখল তানরক্তুনা হৌজিক্তি অয়েৎপা-অথিংবা পীনখিদ্রে। অদুনা মরী লৈনবশিংনা অসামগী এস টি ওইখ্রবশিংদা মীৎয়েং থমদুনা খঙজিনবা কান্নগনি। লোয়ননা ফোরম অসিনা মৈতৈগী ষ্টেটসতা হেঞ্জিন্না নৈনবিরক্লিবা অসিগী য়েংলুরগদি তম্পাক্তা য়ুমলিং খুলিংদুনা লৈরিবা ত্রাইবেলশিং অসিগী ফিজেৎ-চাকচা, য়ূমলৈ-কৈরৈ, লন-থুম, পুন্সি মহিং ময়ামসি অমেরিকা মচানা হেন্দে হায়বদুনি, মরম অসিনা তম্পাক্কী অসিগুম্বা ষ্টেন্দর্দ লৈরবা জেনরেলদগী হেল্লবা ত্রাইবেলশিং অসি এস টিদ্দগী ককফম থোকই হায়না কনাগুম্বশিংনা হায়রক্লবদি শাউনীংবা পোক্কনি। মৈতৈনা এস টি ওইরম্বদগী জেনরেল ওইখিবগী মরম মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি, খঙদে হায়বা য়ারোই, হৌজিক অসি মৈতৈগী অরুবা তানফমনি অদুনা চেকশিন্না তাথোক-তাশিন তৌদুনা খন্নসি। করিগুম্বা ৱাখল তানবা ৱাৎনহৌবদগী মীকুপ অমদা ঈখেংনা চাইবা লমদম অমা খঙহৌদনা ওইরক্লবদি মদু কনাগী মাঙজবা ওইগনি।






লমদমসিগী চীংমী-তম্মী অনীসি মচিন-মনাওনি হায়বগী অচেৎপা ৱাফম পুয়া খরদা ময়েক শেংনা ইদুনা য়াওরবসু মদুবু চীংমী লুচিংবা খরনা তুংওইনরি। হংনীংঙাই ওইবা ৱাহং অমনা মচিন-মনাও ওইরিবা ময়াম্বা চীংমীনা ত্রাইব ওইরগা মনাও মৈতৈনা করিগী জেনরেল ওইফম থোকপগে? মসিদসু অদুম ইরায় লায়না খঙবা য়ারবনি।

হৌজিক থেংনদবা য়াররোইদবা মপান্দগী থোমজিল্লক্কদৌরিবা শেঞ্জাও পায়বশিংগী মখূৎতগী, কন্সটিট্যুসনগী সেফগার্দ য়াওদ্রবা মৈতৈশিংগী লম করম্না কনবা ঙমগদৌরি? লমদমসিগী য়েলহৌ ফুরুপ অমা ওইরিবা মৈতৈশিংবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২ (১) গী মখাদা সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা য়াওহন্দুনা চীং-তম অনীমক্তা মপান্দগী চঙশিল্লকপা মীতোপশিংবু খুন্দাবা য়াহন্দনবা পূন্না হোৎনফম থোক্তবরা?

লোইশিল্লকপদা অওনবা মণিপুর অমগীদমক চোকথবা নাইদনা হোৎনবিরিবা ইকায়খুম্নজরিবা সী এম এন বিরেন্না কনফ্লিক্ট সিচুয়েসন অমদা লৈরিবা এস টিগী ৱাফমসিগীদমক নাকল অনীমক্কী অখঙ অহৈশিং কৌখৎপীদুনা অখঙ খঙদা তাথোক-তাশিন খন্ন-নৈনমিন্নদুনা য়ানবা অমা পুরক্লবগী অচৌবা থৌদাং অদু লৌবীদুনা নুংশি চান্নবা নুংঙাইবা লমদম অমা ওইহনবীনবা হোৎনবীবগী তঙাইফদবা মতম অদু থিল্লবনি হায়বা ৱাফমসি ইকায়খুম্নজরিবিবা চীফ মিনিষ্টরগী নাকোং য়ৌবা ওইরসনু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৩

১। মৈতৈ লৈবাক্তা মী অমা শিবদা অঙাংমক নৎত্রবদি মৈ থাদুনা পোৎলোইবা কুইরবদগী চৎনরকই, ঙসিসু চৎনরি।
(ক) চৎনবী অসিগী মমাঙদা মৈতৈ লৈবাক্তা পোৎলোইবা মখল কয়া লৈরম্বগে?
(খ) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তগী মৈ থাবখক্তা চৎনরকখিবগে?
২। ''ফৌশু ঈশৈ শক্লি/আদগী চীংদোন অসিদনি।'' পরেং অনী অসি জননেতা ইরাবতনা ইরম্বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়যু।
৩। ''ঐখোয়না কপ্লি/ঐখোয়গী পুন্সিগী থোঙজিন্দা/নোংজুথানা কৌনরুবা য়াওদনা লেপ্লবা খুদিংদা।'' পরেং অহুম অসিনা 'লোক্তাক পাৎকী ফূম' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। কবি অদুগী মমিং হায়যু।
৪। ''ঙাইবু ঙাইরবদি মতমসিসু হৌদেদকো, প্রেমিলানা খল্লি।'' পরেং অসিনা 'হৌদোং তুরেল কুমদবী' কৌবা ৱারীমচাদুগী অহানবা পরেংনি। অইবী অদু কনানো?
৫। ''ইচা ইশুগীদমক/হুনবা লোইদ্রি/পামলৌগী লৌবুক্তা/সনা ফৌগী মরূশিং।'' পরেংশিংসিনা 'য়াচঙবা নঙ হল্লো' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। মপানগী অইবী অদুগী মমিং হায়যু।

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*